হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, এপ্রিল ১৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৪শুবা মশীং

# পন্দুনা লৈরিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং

## মথংগী মীখল পাঙথোক্ত্রিঙৈদা দিস্পোজ তৌরক্কনি ঙাইনরি

মার্চ ১৯, ২০২২দা মপুন্সি লোইরবা হৌজিক লৈরিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্ব্লী অসিগী মীখল মার্চ ৪, ২০১৭তা পাঙথোকখিবনি। ১১শুবা ষ্টেট এসেম্ব্লী অসিগী মীখল পাঙথোক্লবগী নোটিফিকেসন অদু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরকপা ইঙ্গিৎকী মতুংইন্না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুরনা ফেব্রুৱারী ৭, ২০১৭তা থোকখিবনি। নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না মীখল অদুগীদমক্তা নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌবগী অরোইবা নুমীৎ ফেব্রুৱারী ১৫, ২০১৭ ওইখি। অদুগা নোমিনেসন পেপরশিং অদুগী স্ক্রুটিনিনা ফেব্রুৱারী ১৬, ২০১৭তা ওইরগা নোমিনেসন পেপর ৱিথদ্রো তৌবগী অরোইবা নুমীৎনা ফেব্রুৱারী ১৮দা ওইরগা মীখলনা মার্চ ৪, ২০১৭তা পাঙথোকখিবনি। অদুগা হায়রিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেম্ব্লীগী মীখল অদুগী থবক থৌরম পুন্নমক মার্চ ১৫, ২০১৭তা লোইশিনগদবনি হায়বগী মতুংইন্না মীখল অদু মায় পাক্না পাঙথোকখিবনি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি পাঙথোকখ্রিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্ব্লীগী মীখল অদুগী রিজল্ট লাউথোকপগা ষ্টেট অসিগী এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৬০দা কারকখিবা মীহুৎশিংগী মনুংদগী এম এল এ ওইরবা মীরেপ ১২গী মথক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা ইলেক্সন পিটিসনশিং মীখল অদুদা মখোয়গা লম্বা তৌনখিবা অতোপ্পা মীরেপশিং য়াওনা অতৈ মীওইশিংনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখি। অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ১২ অদুদি এম রামেশ্বরনা ৱাই সুরচন্দ্র অমসুং অনদরগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০১৭, ৱাই ইরাবোতনা ও হেনরি অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা নম্বর ২ ওফ ২০১৭, থাংজম মোহেন্দ্রো ভর্সেস থোকচোম লোকেশ্বরগী নম্বর ৩ ওফ ২০১৭, ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং ভর্সেস টি ঐচ শ্যামকুমারগী নম্বর ৪ ওফ ২০১৭, ডা. কে ঐচ লোকেন ভর্সেস আর কে ইমোগী নম্বর ৫ ওফ ২০১৭, এম পৃথিবীরাজ ভর্সেস পি শরতচন্দ্রগী নম্বর ৬ ওফ ২০১৭, ডা. এল ফিমাতে ভর্সেস ডা. চালতোলিয়ন অমোগী নম্বর ৭ ওফ ২০১৭, জোতিন ৱাইখোম ভর্সেস কে ঐচ জয়কিষনগী নম্বর ৮ ওফ ২০১৭, এম দি অমিন শাহ ভর্সেস এন ইন্দ্রজিৎকী নম্বর ৯ ওফ ২০১৭, এস কুঞ্জকেশ্বর ভর্সেস এ কে মিরাবাইগী নম্বর ১০ ওফ ২০১৭, লৈখিদ্রবা এল ইবোমচা ভর্সেস এল জয়ন্তকুমারগী নম্বর ১১ ওফ ২০১৭ অমসুং এন মঙ্গি ভর্সেস এস বিরগী নম্বর ১২ ওফ ২০১৭নি।

হৌজিক ফাওবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিগী মনুংদগী এম রামেশ্বর ভর্সেস ৱাই সুরচন্দ্রগী ইলেক্সন পিটিসন দিস্পোজ তৌদুনা পিটিস্নর অসিবু এম এল এ ওইহনখ্রে। ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনদি দিসমিস তৌবদগী হৌজিক সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎনরি। থাংজম মোহেন্দ্রোনা এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বরগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনসু দিসমিস তৌখিবদগী সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎলি। অদুগা হন্দক্তা দিস্পোজ তৌখিবা ইলেক্সন পিটিসননা ৱাই ইরাবোত ভর্সেস ও হেনরি অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২ ওফ ২০১৭নি। মতাংসিদা থোরক্লিবা ৱাফমদি অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ১২ অসিগী মনুংদা দিস্পোজ তৌখিবগী মশীং তঙ্খায় য়ৌদ্রি। অমরোমদা মথংগী ১২শুবা এসেম্ব্লীগী মীখল পাঙথোক্কদবা নুমীৎতি খুৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লি। মসি ওইরগদি পন্দুনা লৈরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অসি মথংগী মীখল পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা দিস্পোজ তৌফম থোক্তবরা হায়বসিনি। রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্ট, ১৯৫১গী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংনসু ইলেক্সন পিটিসন অমা ফাইল তৌরক্লবা মতুংদা মেন্টেনেবল ওইরে হায়দুনা লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল চথবা তারবদি অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা লোইশিনগদবনি হায়বা ৱাফমসু লৈরিবনি। অদুম ওইনমক লৈবাক শিনবা থুংনা কোভিদকী চৈথেং মায়োক্লরকপদগী ষ্টেট অসিদসু মসিদগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লকখিবনা কোর্টকী থবক থৌরমশিংদসু অয়েৎপা পীখিদবদি নত্তে। হয়েংদগীসু অমুক হৌরদুনা হায় কোর্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট/ ত্রাইব্যুনেলশিংগী হিয়রিং ভর্চ্যুএল কোর্টতা পাঙথোক্কদৌরি। অদুবু হৌজিক মীয়াম্না ঙাইনরিবসি কেস খরগী দিস্পোজেল তৌখ্রবসু লেমহৌরিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা অথুবা মতমদা অরোইবা ৱায়েল পীবীরক্কনি হায়বসিনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৬

১) “ঐনে ময়াই কাবদি ৱাংলৈ য়ুবু হেলএ, থকফরোইএ, য়াইবি ঈংনা চেনফরোইএ - কোল্লোইচমনা থাহৈদে। নমু পোং ওইবা পূন্নমকপু থৱায় অমতনে নিংঙৈনে তাইবঙ মীবু ওইনা পোক্লবা ইখোইবু খাচংথৌনি ৱাৎপা লোনজা লনথোই তানফংদরবগী লাহান লাংওন মপোক অমরক্কী থৌরম মতৌশিংবু ৱারম মতৌ খঙলুদে; হন্দক লাংওন অসিগী ৱারম মতৌ খঙদে, থৌরম য়াংগোইরিবসু কদাইনো?” পরেং মতেক অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) হিজম অঙাংহল সিংহগী “খম্বা থোইবী শৈরেং” হায়বসি কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৩) খেবা চীংগী চীংথক্তা লৈরিবা খোংজোম ৱার মোন্যুমেন্টকী লৈরিবা দিজাইনসি করিনি হায়না লৌবগে? দিজাইনসিগী মতাংসি করি লাইরিক্তা থেংনবগে?

৪) “হে তসলিমা: /নুংশিরবী/নহাক অমুক হন্না পোক্লক্তবা ওইয়ুকো/নঙগী নুংশিরবী বাংলাদেশতা/নৎত্রগসু কাউথোক্তুনা/ঐগী নুংশিজরবী মণিপুরসিদা।/মরমদি-/ঙসিদি ওইরক্লে লমদমসে/নহাক্কী লজ্জা।/অদুননি কপলিবা ঐখোয় তশেংনমক/নহাক্কীদমক কিরণময়ী ওইনা/থম্মোয় ফূকপা মখৈ থনুংদা।।” শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগীনি। কবি অসি কনানো, করি লাইরিক্তগীনো?

৫) কনানা করম্বা চহীদা কদাইদা মৈতৈ লোলনা বাশোক শকপা হৌদোকখিবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# লৈবাক্তগী পোক্লকপা লায়না তীলনাশিং লাকশিনবা

**ডো. এম থোইথোই সিংহ**

লৈবাক লৈশাদগী পোকহল্লকপা পান্বীগী লায়নাশিংবু ঙাকথোক্লবা মখল কয়াগী পাম্বৈশিং শীজি ন্নৈ। পাম্বৈশিংদুগী মনুংদা কালেন্দা লৈচং লৈনা খোইদোক্তুনা লৈবাকপু নুংশা চাহনবা, প্লাষ্টিক সিথনা খুমজিন্দুনা লৈবাক লৈশাবু শাবগী চাং হেনগৎহন্দুনা লৈবাক্তা লৈজরম্বা হিঙকুপশিং হাত্তোকপা, মনিল ওইনা থাদোকপা ঙম্বা হীদাক লৈবাক্তা চায়থোকপা (সোইল ফ্যুমিগেসন), মখল কয়াগী হীদাক চায়থোক্তুনা মখল কয়াগী হিঙকুপশিং (মাইক্রো ওর্গানিজমস) হাত্তোকপা অমসুং পান্বীদা মাঙহল্লিবা মখল কয়াগী কোকফাই, বেক্টোরিয়া, নেমাটোড অমসুং তীলশিং হাত্তোকপা ঙম্বা কোকফাইশিং শীজিন্নবসি মরু ওইনা অয়াম্বা লৌফমশিংদা চথনরি।

থৌরমশিংসিগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ফবা অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদবসি নুংশা চাহনবসিনি। অদুবু চাওখৎলবা লৌউ শিংউগী লমদদি লায়না থোকহনবা ঙম্বা কোকফাই, বেক্টোরিয়া, নেমাটোড অমসুং লৈবাক্তা লৈবা তীলশিংবু হাৎপা ঙম্বা কোকফাই, বেক্টোরিয়ানচিংবা শীজিন্নবসি য়াম্না পাম্না চথনরি। মতমসিগা খ্বাইদগী হেন্না চান্নবা থৌরম অমা ওইরি।

**হেন্না পাম্নরকপগী মরম ঃ** লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা হীদাক লাংথক শীজিন্নবা অমসুং অতোপ্পা উপায়শিং শীজিন্নবনা হাত্তোক্লিংলিবা মহীক মতাইদুখক খল্লগা হাত্তোকপা ঙমদে। মফমদুমক্তদা লৈরিবা, লৌউ-শিংউবদা কান্নরবা হিঙকুপশিংবুসু হাত্তোকখিগনি। মাঙজবা কয়া লৈ। অদুমকপু কোকফাই অমসুং অতৈ অতোপ্পা হিঙকুপশিং হাৎপা ঙম্বা কোকফাইশিং নেমাটোডশিং, বেক্টোরিয়াশিং অমসুং এক্টিনোমাইসিটিসশিং (বাইওলোজিকেল কন্ট্রোল এজেন্টস) শীজিন্নরগদি দরকারগী মতুং ইন্না শীজিন্নবনিনা মাঙজবা লৈতে। তুং কোইনা কান্নবা ফংই। চাং নেম্বগীসু নেম্না ৱাংবগীসু ৱাংনা শীজিন্নরিবা পূন্নমক্কী কান্নবা ফংই।

**খুদোংচাদবা ঃ** খুদক্কী ওইনা কান্নবা পীবা ঙমদে। মফম অমসুং অইং-অশা খেন্নবগী মতুং ইন্না থা অমা অনীদি চঙই। অপাম্বা কলচর মখল খুদিংমক কৈথেলদা লোইনা ফংবা নত্তে। বাইও কন্ট্রোল এজেন্ট হায়না খঙনরিবা, পান্বীদা অকায়বা পীবা হিঙকুপশিং হাৎপা ঙম্বা কান্নরবা হিঙকুপশিংসি মালেমগী ওইনা লৌউ-শিংউদা শীজিন্নরিবা হীদাকশিংসি চাদা অমগী চাংদগী পংহেন হেন্দে হায়না পানরি। মণিপুরদা ফংলিবা মখলশিংসু পংয়াম য়ামদে। অপাম্বা কোকফাই মখল লৈনিংবা মতমদা লৈবা ফংদে। মসিগী মরমদি লৌমীশিংনা লৈনিংবগী চাং নেম্বা অমসুং শেন্নবা হীদাক্তু চহী অমদগী পংহেন হেন্না থম্বা য়াদবসিনি।

**থৌরমসিনা পীরিবা কান্নবশিং ঃ** লৈবাক্তা লৈজরম্বা মখল কয়াগী কোকফাইশিং, বেক্টোরিয়া, এক্টিনোমাইসিটিস অমসুং নেমাটোডনচিংবা কয়াবু অকোয়বগী ফীভম শোকহন্দনা অমসুং কান্নরবা হিঙকুপ কয়াশিংবু শোকহন্দনা হাত্তোকপা ঙম্বসিবু খ্বাইদগী ফবা কাঙলোন অমা ওইনা লৌনরি।

এঙ্খাং নাপী কয়াদা তারিবা পান্বী মখোঙ চেংশিনবী অমসুং খুইথবী লায়না থোকহল্লিবা *Pythium, Fusarium* কয়াবু *Trichoderma sp.* কয়ানা হাত্তোকহনবা ঙম্মী। মসিগা মান্নবা মওংদা *Gliocladium virens, Talaromyces flavus* অমসুং *Pythium oligandrum* নসু লৌমীশিংদা কান্নবা পীরি।

Pseudomonas fluorescens অমসুং Pseudomonas putida নচিংবা বেক্টোরিয়াশিংনা লৈবাক্তগী পোক্লকপা লায়নাশিংবু হন্থহনবা ঙম্বতা নত্তনা ফৌগী ব্লাষ্ট, সেথরোট, সিডলিং ব্লাইট, ব্রাউন স্পোটনচিংবা ফাওবা ফহল্লি। পান্বীগী মখোঙ চেংশিনবী, লফুগী খুইথবী লায়না ফহল্লি। মসিদসু নত্তনা গ্রোথ ফেক্টর IAA পুথোক্তুনা পান্বীগী শাহৌ ফহল্লি। হায়রিবা কলচরসি গ্রাম ৫-১০ ফাওবা ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানশিল্লগা কাপথোক চাইথোকপা য়াই।

Paecilomyces lilanicus না নেমাটোডনা থোকহনবা পান্বীশিংগী লায়না কয়াবু ফহল্লি। খুদম ওইনা খামেনগী রূট নোট নেমাটোড হায়বা খামেন মরাশিং কিশি কিবা মানবা লায়নাগীদমক হীদাকশিং শীজিন্নরি।

Beauveria bassiana হায়না খঙনবা কোকফাইসিনা মখল কয়াগী তীলশিংদা White muscardine হায়বা লায়না থোকহন্দুনা তীলশিং হাত্তোকই। মীওইবদদি অকায়বা পীদে। কৈথেলদা Besiwell হায়না ফংই। পান্বীগী মরা চাবী, মউ হুৎপী অমসুং অতৈ তীল কয়াবু হাত্তোকই। ঈশিং লিটর খুদিংদা গ্রাম ৫-১০ ফাওবা য়ানশিল্লগা কাপথোক চায়থোকপা য়াই।

*Varticilium lecanii* তীলশিং হাৎপা ঙম্বা কোকফাইনি। মকু থোৎপা তীলশিং খুদম ওইনা ৱাহিক, থ্রীপস, মাইট, মিলিবগ, হ্বাইট ফ্লাই, স্কেল ইন্সেকনচিংবা পূন্নমক হাৎপা ঙম্বা কোকফাইনি। কৈথেলদা Bertigourd হায়নসু ফংই। ঈশিং লিটর খুদিংদা Bertigourd গ্রাম ২.৫-৫ ফাওবা য়ানশিল্লগা কাপথোক্কনি। অহেনবা চায়থোকখিবা শরুকশিংনা লৈবাক লৈশাদা লৈজদুনা মখা তানা তীলশিং হাৎপা ঙম্মী। মসিগী মথক্তা লৈবাক্তা লৈরিবা লৈশৌ কয়াবু হাত্তোকপা ঙম্বা হীদাক Metawell (Metarhizium anisopliae) হায়না খঙনবা হীদাকসু ফংলে। ঈশিং লিটর খুদিংদা Pacer গ্রাম ৫-১০ ফাওবা য়ানশিনবীরগা লৈশৌ মশা চোৎনা কাপথোক্লবদি লৈশৌশিংবু ইরায় লায়না হাৎলি। হীদাক কাপ্তুনা য়ৌহনবা ঙমদ্রবা লৈনুংদা লৈরিবা লৈশৌগী রানি ফাওবা লৈশৌ তীলশিংনা শন্দোকখিদুনা মপুং ফানা হাৎপা ঙম্মী। মীওইবগী হকচাংদি শোক্তে।

মসিদা নত্তনা Mycorrhiza হায়না খঙনবা পান্বীদা হার পীবা ঙম্বা কোকফাইসিগী মতেংনা কোকফাই লায়না কয়াবুসু লাকশিনবা ঙল্লে। Mycorrhiza সিমক লৌমীশিংনা কৈথেলদগী লৈবসু ফংলে।

থৌরমশিং অসি মীপুম তিংনা পাম্নরক্লিবা ইন্টিগ্রেটেড পেষ্ট মেনেজমেন্ট অমসুং ওর্গানিক ফার্মিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরম অমা ওইরে। ●

# মণিপুরগী ফিসরিগী মরমদা SWOT analysis অমা

**ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ**





মণিপুরগী ফিসরিগী মরমদা Strengths, Weaknesses, Opportunities and Threats (SWOT) analysis অমগী মতাংদা খঙজিনবা য়াবশিং-

ষ্ট্রেঙথ : ১) ঙাগী মমল ৱাংবা অমদি ঙাবু য়াম্না পাম্না চাবা লমদম অমা ওইবা।

২) পাৎ তুরেলনচিংবা মরাং কায়না লৈবা।

৩) ষ্টেটকী ফিসরিজ দিপার্টমেন্টতা ফিসরিজ ত্রেনিং সেন্টর লৈবা, সী এ য়ু ইম্ফাল লৈবা, আই সী এ আর ইম্ফাল সেন্টরদা ফিসরিজ সেক্সন লৈবা অমদি কে ভি কে কয়াদা ফিসরিজগী ওইবা মীওইশিং লৈবা অসিনচিংবনি।

৪) বরাক অমদি চিনৱিন তুরেলশিংদা তাবা তুরেলশিংনা মণিপুরগী তঙ্খায় তঙ্খায় ওইবনা ঙা মখল য়াম্না ফংবা।

৫) লোক্তাক পাৎ অসি ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্কী খ্বাইদগী চাওবা ঈশিং ইচমগী পাৎ ওইবা অমদি মণিপুরগী ওইনা ঙা পুথোকপা অমদি থবক পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা।

৬) লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী লৈরকপা অদুগা অতোপ্পা মফমশিংদা ফংদবা ঙা মখল কয়া ফংবা।

৭) লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা কয়ানা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবগী ঈহৌদা থৱায় য়াওশিল্লকপা অমদি ঙা য়োকপবু শিনফম অমা ওইনা খন্নরকপা।

ৱিকনেস : ১) লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী লৈজরকপা ঙাশিংবু কা হেন্না ফাদোকপা।

২) হৌজিক হৌজিক্কী ঙা পুথোকপগী চাং অসি পুথোকপা য়াবগী চাংগা য়াম্না খেন্নবা।

৩) লমদম অসিগী মীওইশিংনা চাবা কোন্নবা ঙা পুথোকপা ঙমদবা অমদি মপান লমদগী ঙা পুশিল্লকপা।

৪) অফবা মগুন চেনবা ঙা মচা মরাং কায়না ফংদবা।

৫) মহৌশাদগী লৈজরকপা ঙাশিংগী মরুম কোকফম লৈরক্তবনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরকপা ঙাশিংগী মশীং হন্থরকপা।

৬) শেল মরাং কায়না লৈতবা মরম্না পাৎ, তুরেলনচিংবা মহৌশাগী ওইবা ঈশিং লৈবা মফমশিং চাওখৎনবা হোৎনবদা থিন্থবা।

৭) মপু পান্দবা ঙা য়োকপা য়াবা মফম কয়া লৈবনা ঙা ফজনা য়োকপা ঙমদবা।

ওপোর্চ্যুনিটিস : ১) চহী অমগী মনুংদা মতম খরদা ওইরবসু ঈশিং লৈবা মফমশিংবু ঙা য়োকপদা শীজিন্নবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা।

২) পেন কলচর হায়বদি পাৎ কয়াগী মপান্দা খাজিন্দুনা ঙা য়োকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা।

৩) কেজ কলচর তৌবা য়াবা মফম কয়া লৈবনা থৌওং অসি শীজিন্নদুনা ঙা ফজনা পুথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা।

৪) লৈতেংগী ওইবা ঙা মখল কয়া য়োক্তুনা শেন্দান লম্বী অমা ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা।

৫) স্পোর্টস ফিসরিজ অমদি এক্বাটুরিজমগী খুদোংচাবা কয়া লৈবা।

৬) লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈরকপা অপিকপা ঙা কয়া য়োকখৎতুনা ঙা পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা।

৭) পাৎ তুরেলনচিংবা কয়াবু ফজনা শেমগৎতুনা ঙা য়োকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।

৮) কম্ম্যুনিতি ফিসরিজ মেনেজমেন্ট পাঙথোকপনা মরম ওইদুনা মাঙখিগদৌরবা ঙা কয়াবু কন্দুনা অমদি ঙা মখল কয়াবু অকক্লবা মতম খরখক্তদা ফাদুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা।

৯) ঙামীশিংনা ঙা য়োকপগী থৌওং অসি চহী খরা অসিদা অসুক্কী মতিক থুনা অহোংবা লাক্তুনা ঙাগী পোথোক অসুম অসুম হেনগৎলক্লি।

থ্রেটস : ১) ঙানা লৈফম, মচিঞ্জাক চাফম অমদি মরূম কোকফমনচিংবা কয়া কায়থরকপনা মরম ওইদুনা অতাঙবা ঙা কয়া মাঙখিবা।

২) চাওখৎলকপনা মরম ওইদুনা মহৌশাগী ওইবা পাৎ, তুরেলনচিংবা পিকশিল্লকপা।

৩) কাঙলোন লানবা মওংদা ঙা ফাবা।

৪) অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লায়না কয়া শন্দোরক্তুনা হান্না লৈজরম্বা ঙাশিংদা নারকপা।

৫) মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙা কয়া মহৌশাগী ওইবা পাৎ তুরেলনচিংবদা লৈরকপা।

৬) ঙা য়োক্লিবা মীওই খুদিংমকপু কাঙলোন চুম্না বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা ঙা য়োকপগী মরমদা খঙহনবা ঙমদবা অসিনচিংবনি।

লমদম অসিগী ঙা পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থৌওং খরা -

১) পেন কলচর/কেজ কলচর ফজনা পাঙথোক্তুনা হান্না য়োক্লরমদবা ঙা কয়া য়োকপা।

২) তুং কোইনা ঙা পুথোকপা ঙম্নবগীদমক পাৎ তুরেলনচিংবা ঙা ফাবা য়াদবা অকক্লবা মতম খরা লৈহনবা। কম্বোং, থরো, থম্বাল অমদি থাংজিংনচিংবা পাম্বী কয়াবু ফজনা হৌহন্দুনা য়োকখৎপীবা।

৩) পাৎ, তুরেল অমদি রিজার্ভরনচিংবা মফম কয়াদা কম্ম্যুনিতি ফিসিং পাঙথোক্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক কান্নবা ফংমিন্নবা অমদি ঙা ফাবা মতমদা কাঙলোন লানবা মওংদা ফাহন্দবনা তুং কোয়না ঙা পুথোকপা ঙমহনগনি।

৪) পাৎ তুরেল অমদি রিজার্ভরশিংদা চানবা মখলগী ঙা মরু ওইনা লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরকপা ঙাশিংগী মশীং হেনগৎহন্দুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা।

৫) লমদম অসিদা হান্না লৈজরম্বা ঙাশিংগী মচা পুথোক্তুনা অতাঙবা ঙাশিংবু পুথোকপা ঙমহনবা।

৬) ঙা য়োক্লিবা মীওইশিং অমদি ঙাগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা মখল কয়াগী লৌশিং ফংহন্দুনা বৈগ্যানিক ওইবা থৌওং কয়াবু মমুৎ তানা খঙহনবা।

৭) পাৎ, তুরেল অমদি রিজার্ভরশিংদা করম্না ঙাগী পোথোক করম্না হেনগৎহনগনি হায়বগী মতাংদা দেমোন্সত্রেসন/ওন ফার্ম ত্রাইয়েলনচিংবা কয়া পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

৮) হায়রিবা থৌওংশিং অসি মপূং ফানা মীয়ামদা য়ৌহন্নবগীদমক্তা টেক্নোলোজি শন্দোকপগী থবক তৌরিবা মীওইশিংনা মথৌ মশক খঙনা থবক তৌবগী তঙাইফদবসু লৈরি।

৯) অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া খুদম ওইনা হায়রবদা বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি, রি-সর্কুলেটরি এক্বাকলচর, এক্বাপোনিকসনচিংবা টেক্নোলোজি কয়াবু কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্তুনা অপিকপা মফম কয়াদগীসু ঙা পুথোক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।